

ঈংনা চিক্না লৈমিন্নবা - পিছফুল কো-একজিস্টেন্স

মালেমগী লৈমায়সিদগী লাপ্না, এটমোসফ্যরিক লেয়রসিগী ৱাংমদা, স্পেস সট্টল অমদা তোংলগা, নৎত্রগা, মীনা খোঙ্গুল তারুরবা থাগী লৈমায়দুদগী মালেম (পৃথিবী) তম্না য়েংলকপদা - উবা শক্তম অদু য়েংলুরবা, কনানসু থাজরোই - মালেমসিদা মীওইবা কৌবা, পীকখ্রবা থৱায় পানবা (জীব) অসিনা তাইবঙপানবা অসিগী খ্বাইদই চাউবা মপু ওইনা পালহৌরি' হায়বা ৱাখল অসি নত্তনা অতৈ অমা নীংশিংদে। 'য়ুরি গেগেরিন' কৌবা রুসিয়ন কোস্মোনোট অদুনা, মীওইবা মরকসিদগী, মালেমগী লৈমায়সিবু কোয়শিল্লিবা ঈশিং-নুংশিৎকী কুয়োমসিগী ৱাংমদা, পূমহাঙ হাঙবা অতিয়া (সুন্য-তরঙ/সুন্দ্রং) দা চৎখিবা ঈহান হানবা মীশকনি। এপ্রিল ১২, ১৯৬১, মতম অমগী অপূনবা সোভিয়েৎ (য়ুনিয়ন) গী অতিয়াবু খুদুম চনবা খোঙচৎ (ভোস্তোক অহানবা) অদুগী কোস্মোনোট (পাইলোট) অমা ওইনা, মালেমগী অকোয়বদা মপূম ফাবা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মীশক অদু মহাক্নি। খোঙচৎ অদু চৎলুরগা মালেমদা হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্না হায়খি ... 'গ্রেভিটিগী ৱাংমদা চৎপা খোঙচৎ অদু চৎলিঙৈ অতৈ অমা নীংশিংদে, মালেমদা লৈহৌরিবা মীওইবা কৌবা থৱায় পানবশিং অদুনা অকনবনা অচুম্বা শক্তুনা অমনা অমবু নমথনবা হোৎনহৌবা, অমগা অমগা নুংশিনহৌদ্রিবা, হাত্তোক্লহৌরিবা অদু নত্তনা অতৈ অমা নীংশিংদে। ৱাখল লৈবা অফাওবা ফিলোজোফর/পোলিটিসিয়ন অমসু নত্তবা মহাক্না হায়দোরকখিবা ৱাহায়দু প্রেসমেন অমনা ইশিন্দুনা থমহৌবা, মীয়াম খঙনবা ফোঙদোরকখিবা ৱাহায় অদুনা ঐখোয়বু ৱাখল অমা খন্থহল্লি।

ফিজেৎ-চাকচা মান্নদবা, চৎনবী-হৈনবী খেন্নবা, হৌফম-শাৎফম মান্নদবনা-লোন-কুচু মান্নরক্তবা ... মসিনা মরম ওইদুনা মী মরক্তা অমগা অমগা নুংশিনদে। ঐগী ইংখোল, মাগী ইংখোল; ঐগী লৈকায়, মাগী লৈকায়, ঐগী দিষ্ট্রিক্ট, মাগী দিষ্ট্রিক্ট, ঐগী ষ্টেট, মাগী ষ্টেট; ঐগী লৈবাক, মাগী লৈবাক হায়দুনা ৱাখলগী লমখৈ (বাউন্দরি) অমা থম্নরিবা ... লমখৈসিনা মরম ওইদুনা নুংশিনদ্রিবা... বাউন্দরি অসি, মালেমসিবু শেন্বীবা, তাইবঙপানসিবুসু শেল্লম্বনি হায়নরিবা তাইবঙ মপু মহাক্না য়াথোক্লগা পীরম্বরা? খৎনরিবা, চৈনরিবা, হাত্তোক্নরিবা পূম্নমকসি - মশানা মশাদা অমুক্তং হংজবদি ফবনি। কনাদই পাউখুম ঙাইদ্রবসু খঙজগনি মশানা। লৈবাক্কী ঙমখৈ, ষ্টেটশিংগী ঙমখৈ য়াৎথোক্লবা বাউন্দরি কম্মিসন - শেম্মি পোলিটিকল পার্টিশিংনা, খূৎয়েক পীনৈ লুচিংবশিংনা। মণিপুরগী বাউন্দরি শেমদোক্লগা, কবো ভেল্লি-বর্ম্মাগী বাউন্দরি মনুং চলহনখি। 'কবো তম্পাক' কী মহুৎ ওইনা, বর্ম্মাগী লম ওইরম্বা 'অন্দামান অমসুং নিকোবর ঈথৎ' ইন্দিয়াগী লম ওইহনখি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা নিংথৌগী য়াথং অমনা লৈকায়গী ঙমখৈ শেল্লকই। খুনগী খুল্লাকপা অদুনা লন্নাই মীওই ময়ামগী ইঙ্খোল ঙমখৈ তাক্তুনা শম্বল খাবা তন্বীখি। নিংথৌ লৈঙাক লোইদুনা মীয়াম-লৈঙাক লাক্ল'তুং, থৌদাং অদু পায়নবা 'লেন্দ রিভিন্যু অমদি সেট্টলমেন্ট দিপার্টমেন্ট লিংখৎখি।

ৱারেংসিগী ৱাহৌ ওইনা ইজরিবা ৱাহৈ পরেং খরসিগা, ৱারেংসিগী মিংথোলগা তায়ওন্নরে - হায়রক্লনি শোয়দনা। তিল্লাং খয়োৎননা খন্থমিন্নসি অমুক্তা - ইমা অমত্তগী নাউয়োমনুংদই তারকপা মচিন-মনাও, নাওরোন অনী শুরকপা, ইচিন-ইনাও ওইরম্বদগী শাগৈ-নাতৈ ওইরকই, নুংশি মরী তৎলকই। অসুম্না, মচিন-মনাও উংখৎনবা, য়ূমলোন্নবা খৎনবা, লৈকায় অনী ফূনবা ... য়েংবীয়ু, ওইরমগনি শোয়দনা - লৈই চিংবা য়াদবা ঙমখৈদুগী ৱাহৌদগী। অসাম-মণিপুর-অরুনাচলগী মীয়ামগা নাগালেন্দগী মীয়ামগা উংখৎননা নুংশিনদ্রিবা - 'চাউথোক্লবা মঙ মঙজরিবা নাগালেন্দগী ষ্টেট বাউন্দরি' অদুনা মরম ওইরগনি। খ্বাইদই নৌবা ৱাহন্থোক্তা 'মিজোরাম' অমদি 'অসাম' ষ্টেট অনীগী বাউন্দরি ৱাথোক-মীশি মীনা থোক্লখিবা, তুংদসু থোক্লকখিনি কিনরিবা অমনি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা, চহী কয়া নুংশিননা লৈমিন্নরক্লবা মীওই ফুরুপ অহুম - মীতৈ, নাগা অমসুং কুকি - হান্নদগী লৈরকপা 'অচেৎপা থাজনবা' মাঙখ্রিবা - গ্রেটর নাগালিম অমদি কুকি হোমলেন্দগী দিমান্দ লাকখিবদগীনি। য়ূমলোন্নবা অনী এঙ্খাং য়েন্নদুনা চামিন্নরম্বা, কৌন-ঙাঙনখিদবা, উবদা থাঙ শৎনরকপগী মরমসু - লম হেন্দোক হেনজিনগী ৱা'না হেক্তা ওইরম্মী। ইন্দো-ম্যান্মার অনীগী বাউন্দরি পিল্লর ফুকতোক-ফুকচিন, হোংদোক-হোংজিনগী ৱা'দা ঙসি ৱাথোক ওইরিবা - মণিপুরগী মীয়ামগা, ম্যান্মার-মীয়ামগা উংখৎনবই মহুত্তা মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়ন পোলিটিকল লীদরশিংদা ওনশিন্দুনা শাউরিবা ... মাঙলমচত্তা থোকখিবা বাউন্দরি-ইস্যু অমনা থোকহল্লকপনি।

অসিগুম্বা লমগী ৱাথোক লৈতবা, জাৎ-কুচু খেন্নবগী - ইস্যু অসিনা নুংশি চান্নানা হিংমিন্নবা (পিছফুল কো-একজিস্টেন্স) তা করিমত্তা অকায়বা থোক্তবা, য়ূমলোন্নবা লৈবাক্কী লমখৈ ৱাথোক লৈনদবা, মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক্তি 'স্বিটজরলেন্দ' মথন্তনি হায়নবা লৈ। স্বিটজরলেন্দগী 'লেন্দ এন্দ বিল্ডিং লো'না মরম ওইদুনা ময়ূম-মরমদম অদুদা লম লৈদুনা য়ূম শাদুনা লৈবা য়াদ্রবা স্বিচ মচা কয়া, ফ্রান্সকী ঙমখৈনুংদা লৈরগা, হিংনবই শিনফম পীরিবা স্বিটজরলেন্দ গোভর্ণমেন্ট নৎত্রগা কম্পনিগী ওফিস অদুদা নুংতিগী ওফিস কারকই হায়নবা লৈ। ৱারী অসি, ইন্দিয়া-পাকিস্থান, ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, ইন্দো-নেপাল নৎত্রগা ম্যান্মার'গী লৈনরিবা মরীসিদা পানশিন্দুনা য়েংবদা ওইথোক্তবা মঙলান অমা ওইরগদবা ৱাফমনি। খল্লুদবনা ফগনি।

১৯৫৪, মতমদুগী ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু'না 'পঞ্চসিল' (নূঙদুম মঙা) হায়না মিংথোনবা, ইন্দিয়াদদি লৈমিন্নরিবা, লৈমিন্নবদি য়াররোইদবা কাঙলূপ মচা-মচাশিং পূন্না লৈমিন্নবা য়ানবা পান্বে মঙা পুথোক্লম্বগী ৱারী অমা লৈখি। 'চাইনিজ প্রিমিয়র' 'চৌ-এন-লাই' না পান্বেশিংদু থুগায়খি। মদুগী মতুং তারকপদা, পোলিটিকল লীদর কয়ানা মরন্নাই মঙ কয়া মঙজরবসু, অথৌবা লুচিংবা অমত্তনা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা ফুল-প্রুফ-ফোর্মুলা অমত্তা পুথোক্লবা হোৎনরকখিদ্রে। কাশ্মীর, পঞ্জাব, নোর্থ-ইষ্ট-ইন্দিয়াগা পূন্না লৈমিন্নগে খনবই মহুত্তা, তোখায়বা লৈবাক ওইনা লৈজখ্রগে - লান হৌরকই।

গ্লোবেল পিছ (মালেমগী শান্তি) অমদি 'ইন্দিয়ন মশেল পূনশিন্নবা' য়াদবগী ৱারীদু চাউখ্রবা ৱারী অমনি। ৱারেংসিনা কোনশিনজররোই। অপীকপা লমদম অসিগী অপীকপা ৱারী অমত্তংদি তম্লিংই। য়েলহৌঙৈগী ৱারী-ময়াম্বনা চীংদা খুন্দাখ্রগা, মনাওনা তম্পাক্তা খুন্দাখিবই ৱারীদু ঙসিদি শেমজিন ৱারীনি হায়রক্লে। অরিবা য়ূমফম থুগায়রগা অনৌবা য়ূম্ফম থোল্লকপা খুমাঙ ফনা চাওশিল্লকখ্রে। লমগী লমখৈ চাউথোকহনবা অমদি পীকশিনহনবনা 'কোর-ইস্যু' ওইবা, নাকল অনী ফম্মিন্নরগা শানবা ৱারী - শান্তিগী ৱারী কৌবা য়ারোই।

জর্মন ফিলোজোফর 'ফ্রেদরিক এংগল্‌স' না হায়রম্বদুনি ... 'হিংবা হায়বসিগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা, মচং ওইবা মশক্তি 'হিংমিন্নবা' হায়বসিনি, হিংমিন্নবা হৈতনা থৱায় পানবা অমত্তনা মদোম হিংবা শুকঙম ঙস্লোই'...। হিংমিন্নবা হায়বসিগী অতোপ্পা তঙাইফদবা মচল অমনি - ইমোসনেল ইন্টিগ্রেসন। মদুনি ঙসি মণিপুরদা ৱাৎলিবা।

নুংশি চান্ননা-শান্তি ওইনা হিংমিন্নবা - মণিপুরদা অমুক হনজিল্লকপা - ওইথোক্তবা থবক অমা নত্তে। মসিগীদমক অমত্তা ঙাইরবা পান্বেনি - 'স্বিটজরলেন্দ মোদেল' লৌবা। 'মণিপুরদি ইন্দিয়াগী স্বিটজরলেন্দ'নি - অদুঙৈ পন্দিট নেহরুনা হায়রম্বদো - চীন্থিবা রাজ নিতিৱালা অমনা হায়রম্বনি খনগুমসি, মণিপুরগী ইতিহাস খঙবননি খন্দোকসি। য়েংসি - করি অহোংবা লাকপগে।

—*ইন্দ্রকুমার*

মণিপুরগী মেটরিয়েল কলচর য়োকখৎপদা ইনোৎ হাপ্লিবা সনসম বীরেন্দ্রগী লাইরিক 'খূৎহৈবলক্তগী'

সনসম বীরেন্দ্র

লাইরিক্কী মমিং :-
খূৎহৈবলক্তগী (২০১৩)
অইবা :- **সনসম বীরেন্দ্র**
অফোঙবা :-
থোকচোম নিংঙোল সনসম ওংবী রাধেশ্যামনা সরদা ট্রান্সলেসন্স এন্দ পব্লিসিং গ্রুপকীদমক
লাইরিক্কী মখল :-
পুন্সি ৱারী খোমজিনবা
লাইরিক্কী মখুম :-
ডা. মাখোনমনি মোংসাবা
লাইরিক্কী মমল :-
লুপা ৫০০/-
লমায় মশীং :- **১৫৩**

খূৎহৈবলক্তগী
সনসম বীরেন্দ্র সিংহ

কলচর হায়বসিনা কোনশিল্লিবা হীরমশিং অসি য়াম্না পাক চাওখ্রে। ৱাহৈ খরদা মসিগী ৱাহন্থোক লোইনা ইবা ওইথোক্তে। মীওইবনা হেক মালেমসিদা খুন্দারকঙৈদগী মৈহৌরোলদগী হৌনা কলচর হায়বসি লোয়নদুনা লাক্লি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা খুন্দাদুনা লৈরিবা শক চু মান্নদবা, লাইনীং লাইশোল তিন্নদবা কয়ানা মাগী মাগী লৈরুরিবা মহৌশা অকোয়বগী ফীভম্না অমদি মফম অদুদা ফংলিবা পোথোকশিংতনা হিংনবা হোৎনরকখিবা থৌওং কয়ানা মথং মথং ইথিল পীদুনা মখল মখা কয়াগী লমদা শীজিন্ননবা পোৎলমশিং শেম শান্নরকখি। মাগী মাগী কাঙলূপ ফুরুপকী ওইবা তোপ তোপ্পা খূৎশা হৈবগী পোথোক কয়া লৈরি। হায়রিবা পোথোকশিং অসিগা শাগোন্নবা ৱারী কয়াসু মরাং কায়না লৈরি। অসিগুম্বা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্‌টসকী ওইবা লম্‌সিদা থোইদোক হেন্দোক্লা মমল নাইদ্রবা খুদোল তৌরবা মীওই কয়া মণিপুরগী লোইজিং লোয়া কয়াদা লৈরি। সোসিওলোজি, এন্থ্রোপোলোজিগী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলুবদসু অসিগুম্বা খূৎশা হৈবগী পোথোকশিং অসিগা মণিপুরগী লৈরিবা ফুরুপ কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিংগী হৌরক ৱারীগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমদি লৈরি। ঙসিসু মমিং লৈরবা শিন্নাইবা কয়ানা মণিপুরগী খূৎশা হৈবগী পোথোক্তুনা মালেমদা মণিপুরবু মশক তাক্লি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা লমদমসিদা ফংবা মহৌশাগী পোৎলমতনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া শাদুনা অমদি শীজিন্নদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা খূৎশা হৈবগী পোথোকশিং অসিদা য়াওদুনা লাক্লি মীওইবগী পুৱারী। মসিদা শাগোন্নদুনা চৎলি খুন্নাইলোন, শেন্মীৎলোন অমদি হৈথোই শিংথোইবা কয়াগী পুন্সি ৱারীসু পাউদল্লি। মণিপুরদসু খুৎনাইবা কয়া লৈরি। লেপ্পা লৈতনা মখোয়গী হুমাংমলতনা খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। অহল লমন হাক্তক্তগী খূৎনাইবা ওইদুনা লাক্লবা কয়াসু ঙসিসু অদুমক লেপ্তুনা মপা মপুনা পায়রম্বা শিনফম থাদোক্তুনা হোৎনবা কয়া লৈরি। অদুবু হায়রিবা শিন্নাইবা অমদি খূৎহৈবা মীওই কয়া অমদি শকখঙবীদনা পুন্সি লোমখিবসু য়াওদবা নত্তে।

অইবা সনসম বীরেন্দ্রনা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা খূৎহৈবা কয়াগী পুন্সি ৱারী, মখোয়না ইরমদম অসিগী ক্রাফ্‌টসকী ওইবা পোথোক কয়া পুথোক্লিবা অসিদা হকথেংননা থিজিন্দুনা থোইদোক হেন্দোক্লা লম্‌সিদা শক্লাইরবা মীওই ২৪গী মরমদা মরীক চুম্না ইরকপসি চাওরবা খুদোল অমনি।

সনসম বীরেন্দ্র ইরেংবম খুঙ্গংদা লৈবা সনসম কোন্দুম অমদি অঙৌবীগী মপারি ওইনা কুমজা ১৯৫৪দা তাইবঙ খোঙদারকখি। খুঙ্গংদা লাইরিক তম্লকখি। দি এম কোলেজদগী বি এ লোইশিনখি অমদি এল এম এস লো কোলেজদা লো তমখি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদা দিবেটিং কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়ারকখি। পি আই বিদা মতম খরা থবক তৌরমখি। কুমজা ২০০১দগী ২০০৪ ফাওবা দিপ্যুটেসন্দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ কম্মিসন ষ্টেট ওফিস, ইম্ফালদা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুদুনা মণিপুরদা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ চাওখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী খরসিদা মণিপুরদা মীওই কয়ানা ওন্ত্রপ্রেন্যুর ওইনা মশানা মশাবু থবক পীনবা হোৎনরকপদা অমদি থবক ফংদবগী অৱাবা অদু খরমখৈ কোক্লবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদা অইবা বীরেন্দ্রনসু মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং কয়া পাংদুনা লাক্লি। লমদম অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা ইন্দষ্ট্রিজনা লৌরিবা থৌদাং অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা কুমজা ১৯৮৬তগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা টোক ৮০ হেন্না ঙাঙদুনা শন্দোকখিবা লৈরে। মশামক ইস্কোনগী লাইফ মেম্বরনি। মণিপুরদা লৈবা সাহিত্যগী লূপ কয়াগীসু মেম্বর ওইরি অমদি য়াম্না পামজনা শৈরেং, ৱারেং ইদুনা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংদসু হাপ্তুনা লাক্লি। অইবনা পামজবদি পুন্সিদা খুন্নাইগী য়াইফনবা করিগুম্বা খরদং খুদোল তন্নম্বদুনি। অইবা অসি খুঙ্গংগী পুন্সিদা চাওরকখি। খুঙ্গংদা লৈবা মীওশিংগী অৱাবা পুন্সিগী মশক মমুৎ তানা খঙই। লাইরিক অসিদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং য়াম্না থোৎ-মেংনা চঙখোল্লি।

মণিপুর মীয়াম্না অমদি মপান লমদফাওবা থোইদোক্লা মমিং য়াম্না চৎলিবা রানি ফি পুথোকখিবী খূৎহৈবী চুংখাম রানীগী মরমদা য়াম্না মরীক চুম্না ইবা পুন্সি ৱারীনা অহানবা ওইদুনা ফোটোগ্রাফকা লোয়ননা ইরি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মমাঙ ফাওবদা লৈকায় লৈকায়দা নুপীশিংনা অমদি লৈশাবীমচাশিংনা 'শিন্নাইফম' দা লাক্তুনা ফিশা-লোনশা তৌনরম্বগী চৎনবী অমদি নুংশিনরবা কম্যুনিতি লাইফকী মশক ফজনা ইরি। তেন্তক্লা ইরি কমদৌনা পাংয়োংদা ফি শাবা হৌদোকখিবা, খ্বাঙ ইয়োংদা ফি শানরম্বা, লৈকায় খুদিং, য়ূমথোঙ খুদিংদা লৈরম্বা ৱার্ক কলচরগী শক্তম ময়েক লানা ইরি। 'মুগা ইন্নফি লাকয়েন তাইবীদা সনা মচুনা লমথাং খূৎহৎ হৎপা ফি' গী সেম্পল অমা থাগৎপদা, মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টনা খূৎহৈবশিংবু ষ্টেটকী থাক্তা পীবা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা চুংখাম রানীদা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। নেসনল থাক্তা পাঙথোকপা খূৎহৈবশিংগী নেসনল এৱার্দকী চাংদম্নবদা রানীদা লেমজনীংঙাই ওইরবা নেসনল মেরিট এৱার্দ পীখি অসিতসু নত্তনা মনা কয়া মথং মথং ফংখিবগী নুংঙাইরবা অমদি নুংশিরবা ৱারী কয়া য়াওরি। অসিগুম্বা শিংথানীংঙাই ওইরবা ইয়োংগী ফি শাদুনা ফজরবা পোথোক কয়া পুথোক্তুনা লমদম অসিগী নুপী ওইবী কয়াবুসু থৌনা হাপ্লিবা চুংখাম রানীদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনসু খূৎনাইবী অসিগী মফমদা 'শিল্প ভুষণ' ২০১০ পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

চুংখাম রানীদি লৈখিদ্রে অদুবু মহাক্না পীরল্লিবা খুদোলদি মপাল নাইদে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা নুপীমচা ১০০০ রোমদা আর্টিষ্টিক টেক্সটাইলগী লম্‌দা মহাক্না তাকপী তন্বীরম্বগী পাউদমসু য়াওরি লাইরিক অসিদা। হেন্না নুংঙাইরিবদি রানীনা তাকপী তন্বীরম্বা নুপীমচাশিংগী মরক্তা মখোয় মরিদি ষ্টেটকী এৱার্দ ফংখিবা য়াওরি। হীরম অমদা ওজা ওইরিবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী কাউঙমদবা অদুগা নুংঙাইবা মীকূপ অমা হায়রগদি মীওই অদুনা তাকপী তন্বীখিবা মহৈরোয় অদুনা মীয়াম্না মশক খঙলক্তুনা মনা কয়া ফংলকপা মীকূপ অদুনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

লাইরিক অসিগী অনীশুবা খূৎহৈবগী পুন্সি ৱারী পরিংদা য়াওরিবা নুঙবী চফুগী খূৎহৈবা মচিহান সসাগী ৱারী য়াম্না চংখোল্লি। নুঙবী চফুগী মমিং তাদবা মী লৈরম্লোই। মৈতৈশিংনা থাজনবগী মতুংইন্না নুঙবী খুল্লেন্দা নুঙগী মপী মপা লৈ হায়না থাজনৈ। তাংখুলশিংনা নুঙবীবু 'লোংপী' হায়না খঙনৈ। মচিহান সসাগী অহল লমনশিংনা হায়রিবা চফু শাবগী আর্ট অসি মাঙহন্দনা য়োকখৎতুনা লাকপনা সসানা অমুক খূৎহৈবা ওইরক্লবগী মরম ওইরি। 'ব্লেক পোট্টরিগী খ্বাইদগী মগুন লৈরবা নুঙবীগী চফু অমদি পোথোকশিংনা মালেমগী কৈথেলদা পাম্না লৈনরকপা অমদি হেন্না শীজিন্নবগী পাউদম তাবদা য়াম্না চাওথোকচনীংঙাই ওই। মচিহান সসানা অসুম্না লেপ্তুনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসিনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা পাঙথোকপা ক্রাফ্‌টস মেলা কয়াদা শরুক য়াবা লাকখিবা মীওইশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি। অসিগুম্বা তোপ তোপ্পা খূৎহৈবগী পোথোক অসিবু শকখঙবা ওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০০৯-১০দা 'শিল্প গুরু' মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌবা মীওইশিংগী মাগী মাগী য়ূম্নাক পীদুনা থবক তৌনরমখি। হায়রিবা থৌওং অসি হৌজিকসু অদুমক লেপ্তুনা তৌনরি। মপা মপুনা পায়রম্বা শিনফমদা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা থবক তৌদুনা শেন্দাল লম্বীদা মায় পাক্লবা কয়াসু লৈরি। সনা শুবগী থবক অসি কাংঙবম, কৈশাম অমদি তৌরাংবমনচিংবনা তৌনরম্মী হায়না অইবনা পুৱারী মতেক অমসু হাপলি। অসিগুম্বা সনা শাবগী শিনফমদা মায় পাক্লবী কোন্সম ইবেমচাগী ৱারী য়াম্না পূক্নিং লৌশিং ওই। সনানা খান্বী মৈনুংদা ইক্লিবমখৈ সনাগী ময়েক শেংবা হেল্লকই হায়বদুমকনি। কোন্সম ইবেমচানা শাবা 'কিয়াম লীকফাংগা কোন্নবা সেট অমা' নেসনল এৱার্দকী চাংদম্নবা য়াওদুনা লেমজনীংঙাই ওইরবা জ্বেলরি ক্রাফ্‌টসতা নেসনল এৱার্দ ফংবা অহানবা ক্রাফ্‌টসপর্সন ওইখি। হোৎনবা কনবা, অখাং কনবগী মচুনা লোক্লবা পুন্সি ওইনা অপাবশিংদা পূক্নিংগী থৌনা কয়া হাপ্লি লাইরিক অসিনা। মরু ওইনা নুপীশিংনা য়ূমগী কুপনোমদগী হেন্দোক্তুনা তৌরিবা মপাল নাইদ্রবা থোইদোক হেন্দোকপা খুদোল অদুগী ময়েক লারবা শক্তমনি।

অসুম্না লাইরিক অসিদা য়াওরিবা খূৎহৈবশিংদি লাইশোম রাধামনি, অনচা মরিং, ক্ষেত্রিময়ূম ইবোয়াইমা, লৌরেম্বম বীনো, কোন্সম কুঞ্জরাজ, ওইনাম মঙ্গি, মনোহরময়ূম বোনেশ্বরি, হাফিজ সফাউদ্দিনি, অখোম ইবেতোম্বী, নিঙোম্বম নৱাং, খোংবানতাবম থোইবী, ওইনাম ব্রোজেন্দ্রো, অহৈবম গোপেশ্বর, ওইনাম শ্যামা, তাওরেম সনাহল, নিংথৌজম হেমোলতা, শমজেৎশাবম ইবোমচা, খোমদ্রাম সুমিলা, ফুরাইলাৎপম প্রেমানন্দ শর্ম্মা অমসুং মাইকেল মীতৈ য়াওরি।

পুন্সি ৱারী লাইরিক ওইনা অমমমতা ওইনা হেন্দোক্লা মপূং ফারগদবা শক্লাইরবাখূৎহৈবা ২৪ অসিগী মায় পাক্লকপগী নুংশিরবা অমদি নুংঙাইরবা ৱারীশিং অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমসু ওইরিবা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা অমদি লৈঙাক্লা মতম চানা দোক্যুমেন্টরি ওইনা লৌশিন্দুনা থম্বসু হেন্না তুংগী মীরোলদা কান্নগনি। পুয়াগী রেফরেন্স কয়া য়াওরিবা, ইথনিক কম্যুনিতি কয়ানা হৌজিক ফাওবদা পুথোক্তুনা শেৎলি ইল্লিবা অমদি লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা পোৎলম কয়া অসিবু হিংহল্লিবা খুৎনাইবশিংগী ৱারীদি লাইরিক অসিনা শৈহৌ ওইদুনা অতোপ্পা আর্টিসন কয়াগীসু অমুক মখা ইথরক্তুনা খূৎনাইবশিংগী ৱারীনা হৌরক্লিবা মীরোলদা থবক শুনীং নোম্লিংবা অমদি ৱার্ক কলচর অদু লেপ্পা ইথিল পীবা ওইসনু।

লাইরিক অসি ঙসিগী মীরোলনা পাবদা হেন্না খুদোংচানবা মৈতৈ ময়েক ইদিসন অমসু অথুবদা পুথোক্লক্লবদি হেন্না নুংঙাইগনি। মণিপুরগী শেন্মীৎলোন্দা খূৎনাইবা কয়ানা মীপান তাংদনবা হায়দুনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসি পুম্নমক্লা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। লাইরিক অসি মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংগী লাইরিক পাফমদা থমহন্নীংই। লাইফ স্কিল ওইনা তাকপী তন্বীবদা স্কুল সিলেবসতা হাপ্লবসু হেন্না মহয় য়ানগনি।

-তোংব্রম অমরজিৎ

ঐখোয় সাই

ৱারী ককনাউ

“হৌগৎলো? হৌজিকফাও হৌগৎত্রদি অহিং কায় চৎলুগে? হৌগৎত্রিবো? ঐ তৌরকউরা হা, ঐ তৌরকউরো? ইশ! কয়াদা হৌখ্রবা বেঙ্গুনগুম্বা খোঞ্জেলনো? য়াক্লপ তৌরগা হুত্তুনা চংবা তমথীবা মানবা খয়াক্লবা খোঞ্জেলদু কনা অমত্তগী নত্তে, ঐখোয় সাইগীনি। ইচানুপা অহলদু ঙরাং ফনা থেংলফাও ফোন মেৎ মেত্তুনা লৈখিবনি, থরো থরো ওন্দুনা ফনা থেংলফাও তূমখিদবনি। ঐনা মীকপ থোরকপদা, মথন্তা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদুনা ফোনদু মেৎলগা লৈবদুদা ঐনবু চৈখিবনি,

“হায় হৌজিকফাও তূমদ্রিদু কৈগীনো, তূম্মোনে?” ঐদি অদুম তূথখ্রে, ইচানুপাদু করম কান্দা তূমখিবনো ঐ খঙদ্রে। ঐদি ঙসাই ঙন্না হৌগৎলগা ৱাকিং হায়রপ চৎলুরে, অদুগা থোঙ্গালদা হোকরনা থাদরম্বা পাউচেদু পুশিল্লক্লুগা মাঙ্গোলদা চৌক্রি অমা থাদুনা পাদুনা তূমিন লৈজবনি। পাউচেসিসু নুংঙাইরি, মীখল ময়া য়ৌবগী হৌনবী, লৈঙাক কাঙবুসু, লৈঙাক মায়োক কাঙবুসু, অমগা অমগী হুন্না হুন্নদুনা শানবৈ টাইপতা কন্না ঙাঙনবদু, থম্মোয়সিদা নোক নোক্তুনা থৱায় চঙনা পারি। খঙহৌদনা ঐখোয় সাইনা ইমুংদগী থোরক্লুগা মঙ্গোল লময়াইদুদা মখ্বাংদু হায়রপ মেৎলগা, মমায়দু ইমুংলোমদা ওনশিল্লগা মচা হৌদোকপদা লাউরকপা খোঞ্জেলদুদা ঐ খংপ্রেক খংবনি। ঐ মাঙ্গোন্দা ইঙক ঙক্লা য়েংদুনা লৈ। ঐখোয় সাইদি লাউখৈ লাউরম্মগা শুমাংদা কুমথখিদুনা ৱাই কন্না শিৎপা লাক্লুরি।

মানা তৌরিবা ময়ামদু ঐ য়েং য়েংদুনা হৌখিবা থৌদোক কয়া মথং-মথং নীংশিংলকই। মমাঙঙৈ পাখঙ-লৈশা ওইরিঙৈ, ঐখোয় সাইগা ইবানি অহানবা খঙনবা হৌরকপদুদা সিনেমা অমা য়েংমিন্নসি হায়না প্রোগ্রাম থানদুনা ইম্ফাল ময়োলগী কৈথেলদুদা লাকখি। মতমদুদা কোয়বু কোয়নরদি সিনেমা অমা য়েংমীন্নবা হায়বসি তৌদবা য়াদবা অমদৌনা তৌরম্মী। সিনেমা টিকেট কক্লে, খরা ঙল্লি, কৈনোম চাখিসি হায়না হিন্দ জাল পাল হোটেলদা চঙমিন্নদুনা চা অমা শিংহারা অমা চানবা ফম্মিন্নৈ। মায়গা মায়গা ওনশিন্নরগা য়াম্না নক্লা পিকখ্রবা টেবলদুনা খল্লগা ফম্মিন্নরগা ৱারী শাবদু ঐখোয় সাইগী ৱাদু পাক তাদে, কয়া ঈং তপ্পা ঙাঙখ্রবনো? মেঙ-মেঙ লাউবা খোইথুম্নবা খোঞ্জেলদুনা মমিৎকদু ইতুক তুকথৈ, নোকফেৎ তৌরগা য়ারক্তা ঙংলগা লিক্লা ঙাঙবা ৱাহৈ অমা অনীদু ঐনা নাকোংসি থাংজিন্দুনা ৱানা তাই। মাই ৱাদু তাবদা ঐনা কয়া পেঞ্জে, কয়া খোইথুম্নে, নুমিৎ কয়ানো ঐনা নুংঙাইজখিবা। চাবসু অদু মঙাই, শিংহারা অমা চাবদু মা চাবা ঙমদে, শিংহারাগী তাশিল্লিবা মপানদু খজিক খজিক শিক শিক্তুনা য়াতোন তংলগা, শিংহারা মপূম অমা ফাওবা চাবা ঙমদে, ওক্লে হায়না তোকখি। মতমদুদা ঐনা খল্লি, শিনিদনা নুপী হায়দুদি, ঈং তপ্পী, চীং লেম্মী, ৱা ঙাঙবদা লিরি খোইরিনৈ। চাবা থকপা হায়রা তচোপ তচোপ্পা ওইদ্রে, শিংহারাদুফাও মপূং ফানা চাদে, শিংহারা মতুম তাবগী মপান করি করি তৌবা গ্রেম গ্রেম লাউবদু মচেৎ অমা অনী শিল্লগা মচিন ইকা কাথোক্তুনা উমশাই শাইরগা ওক্লে হায়না তোকখি। ঐখোয় সাইসিদগী হেন্না ফবা নুপী অমা লৈররোই হায়বসি ঐনা চপ চানা থাজখি।

মানা কয়া থৌওইদ্রসু ঐনা য়াম্না নুংশিজবা উত্তুনা, নমদুনা ঐঙোন্দা চেল্লে, য়ূম পাল্লে। কুইদে, সাইগী খোঞ্জেল সুম সুম হৌগৎলকপা হেল্লকখি। মাগী খোঞ্জেলদুনা নাকোংসি হুৎ হুৎতুনা চঙবা হৌরকখি। চাবগী ৱাদি অমুক পল্লুদুনা কান্নদে, অঙকপা খয়াৎনি, চারিখৈ চল্লি হায়দুনি, কনাগী অহাওবা মখৈ চাদবা লৈতে। মখোঙ কয়া কয়া পানবা পান্দবা লোইনা তক্তুনা চাই। শিংহারা অমা চাবা ঙম্লমদবদু অহুম চাবদা মেক লাউদে। লুহোংবা নুমিৎ তরানিগী মতুংদা ঐখোয় সাইগী মতিক ময়াইসি ফন ফন চোঙথোরকপা হৌবদু ঐনা শং শং উদুনা লাকখিবনি। নুংথিলদা শুবা শিংজুসি উসব মচা অমদা শুবগা চপ মান্নে। কনাগী ঙারি, মোরোক খাঙ লাক ঙম্বা নত্তে। ইঙ্খোলদা হৌবা মনা মশিং চাবা য়াবা মতোন অমত্তা মপূং ফানা চোংবা ঙমদে, শিংজু চানবা থৎপদা পাম্বী পুম্নমক চাওবা ঙমদনা খাঙলিবনি। ঐখোয় সাইসি টাইপ অমা ওনখ্রবনি।

মাগী খোইথুম্নরবী খোঞ্জেল য়াম্না তানীংখিবা, তারিখৈ পেনবা নাইখিদবদু করম্না মাঙখিবনো, ঐ খঙহৌদে। হৌজিক্তি মাগী খোঞ্জেলসি তাগনি কিবদগী য়ূমদা চঙনীংদবা নুমিৎ ফনা য়ামখ্রে। য়ূমদা হল্লক্লসু থোঙ্গাল ময়াদা ফমখৈ ফম্মগা, মানা তূমখ্রকান্দা চঙবগসু য়াওখ্রবনি। কয়াদা থুনা ওনখ্রবনো? অদুবু ঐখোয় সাইবুদি ঐনা নুংশিদবা ঙমদে, য়াম্না নুংশিরি, কিসু য়াম্না কিজে। ঐসি মানা ঙম্মীরা, মাসি ঐনা ঙম্মীরা হায়দুগী পাউখুমদি ঐ খঙদে, করি হায়দৌনো?

ঐনা ফংজবা তাঞ্জবা শেল খুদিং মঙোন্দা লোইনা পীশিল্লি। মানা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌরগা হরাওজে। ঐনগা পীদবা য়াওরদি সাইগী খোঞ্জেলসি অমুক্কা হেন্না হৌবা হেল্লি। নুংশা য়াম্না শাবা মতমদা ক্লাকনা য়াক্লা খোংবদুগা মান্নে হায়রদি শাওনবা য়াওরিনি, তানীংদবা ঈশৈ অমা তাবগা মান্নে হায়বা তারে। ঐনা পীখিবা শেলদু চৎলমদাইদা মঙোন্দগী অমুক ঐনা নিজে। ঙরাং লৌখিদুনা করিদা শীজিন্নৈ, নহানগীদুনা কায়দা শীজিন্নৈ হায়না মমিৎ-ও, মনা-ও, মখূৎ-ও মশা-ও অঙকপা হিসাপ খুপানি। ঐখোয় সাইসে ঐখোয় ইমুংদা ওদিটরনি, একাউন্টেন্টনি, কেসিয়রনি অমরোমদা হোম মিনিষ্টরনি। অদুনা ঐসে চপ চপ্পুনা পাল্লিবনি।

“কৈনো অয়ূক চৎখৈ চৎলুরগা, মাঙ্গোলসিদা নিংথৌ শাদুনা উং লৈরিসিনা, কনাগী ৱাখলনো?” ঐ খংপ্রেক হেক খংই। ফুক লাওনা হৌগৎলি। ঐখোয় সাইদি অদুম চঙখ্রে, ঐদি মঙোন্দা য়েংলুরগা, শোয়রোই ঙসিসি ঐগী পালি অমুক লাক্লনি হায়দুনা কৈ কৈ তৌগদবা থবক খরা তৌশিনগে হায়না ইমুংদা অদুম চঙঙে।

-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।